থন্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# নুংঙাইবা থিবা

নুংঙাইবা পামদবা কনানো? হায়নৈ, হংনৈ পুন্নমক্না। ঐখোয়না সুরি-নোন্নিবা তাইবংসিদা হিংলিবা-নুংঙাইবা ফংনবইদমক্নি। অৱা-অনং, কনানসু পান্নদে। অদুদি, নুংঙাইবা হায়বসি করিনো? অৱাবা হায়বসিনা করি? নুংঙাইবা করম্না ফংগনি? ৱাহৈনা মশক তাক্লগা, মফম অমদা চৎলগা থিরুবদা ফংগদবা পোৎশক অমা নত্তে- নুংঙাইবা। অদুবু, নুংঙাইবা পামদবা মী লৈতে হায়রিবনিনা 'নুংঙাইবা হায়বসি করিনো' হায়বসিমদি খঙদোকমিন্নবা চুম্বরা? নুংঙাইবা মশক খঙলবদি অৱাবা মশক খঙবদসু ৱাররোয়। অৱাবা হায়বসি নুংঙাইবা লৈতবা/য়াওদবা অদুনি।

ফাওর-ফাওরবা, অচৌবা মীনা হায়রম্বা 'নুংঙাইব'গী ৱাহন্থোক, কোতেসনশিংদু নীংশিংদুনা নুংঙাইবা করিনো থিগুমসি। কনাগুম্বা অমগী নুংঙাইবা 'পুন্সি-মরেল'দু ঐঙোন্দদি খ্বাইদগী অৱাবা পুন্সি অমা ওইবা য়াই। নুংঙাইবা হায়বসি পূক্নিংগী থাক অমনি, মী অমগী নুংঙাইবা অতোপ্পা অমগা মান্নরোই। অমম্বা মশক খঙদনা মঙাল মশক খঙ'ঙমদবগুম, অৱাবা মশরুক থুংদবা কনাগুম্বা অমই পুন্সিদা নুংঙাইব'সু মশরুক ওইনা সুপথুং থুংলোই। অয়ুক-নুংথিল-নুমীদাং, পুন্সি খোঙচৎ অসিগী কানফদ্রবা শরুক ওইবগুম, অৱাবা অমসুং নুংঙাইবা, মীওইবগী পুন্সিসিগী শেত্তোকফদ্রবা খোঙলোয়নি।

অদুবু, অৱাবনি! কনানসু পুন্সিদা 'অৱাবা', মশরুক ওইনা থুংনীংদে। থৌজাল হৈবা, পীনহৈবা, পুমঙম ঙম্বা তাইবং মপুদা থৌনিবদা হায়নৈ, নিনৈ পুন্নমক্না 'নুংঙাই-য়াইফ পীনবীয়ু, অৱা-অনা নংহনবীনু'। 'অৱাবা ইশরুক ওইজগে'- কনানসু হায়নদে। অৱাৎ-অপা লৈতনা, মোন্দুন-মোন্তেক্তা য়াওন্ননা, অকে-অমৌ-নুংঙাই-য়াইফদুতা মশরুক ওই', সনা কোনুংদা মপুন্সি লেল্লিবা সিদ্ধার্থ'না অদুগুম্বা পুন্সিদু তুংওইনরম্লগা উমং-ৱামং-লমহাংদা 'লোইনাইদ্রবা নুংঙাইবা' থিননবা থোক্লকখিবই ৱারীদু নীংশিংলুরগা-ঙসি ঐখোয়না লেল্লিবা পুন্সিসিগী 'অৱা-নুংঙাই' করম্না শকলেপকদগে? খনফম খঙলক্তবদুননি ঙসি, ৱারেঙ অসি ইরিবা। ঐখোয়সিবু 'নুংঙাইনা পুন্সি লেল্লিবা' লৈপাক অমগী লৈপাকমচা হায়বদু কৌবা য়াবরা?


মালেমগী লৈপাকশিং অসিনা মাগী মাগী মরৈবাকচাশিং অদুবু কয়ামুক নুংঙাইনা থল্লিবগে হায়বদু লেপথোক্লবা নাপচৈ অমা লৈ। মদুবু 'ৱর্ল্ড হেপ্পিনেস ইন্দেক্স' হায়না খঙনৈ। কোভিদ-১৯ পেন্দমিক অসিনা মালেমগী লৈপাক অয়াম্বদা, অকনবা চৈফু অমা পীরকখ্রবা মতুংদা, ৱর্ল্ড হেপ্পিনেস ইন্দেক্স'সিগী পাদম মতুংইন্না 'য়ুনাইটেদ নেসন্স সষ্টেনেবল দিভেলপমেন্ট সোল্যুসন্স নেতৱার্ক'না ২০২১ মার্চ থা লোইশিল্লকপদা 'ৱর্ল্ড হেপ্পিনেস রিপোর্ট ২০২১' ফোঙলকখি। লৈপাক ১৪৯দগী খোমগৎপা 'হেপ্পিনেস ইন্দেক্স ইনফোর্মেসন'গী মতুংইন্না, খ্বাইদগী নুংঙাইনা পাল্লিবা লৈপাক অসি ফিনলেন্দ'নি। য়ুনাইটেদ নেসন্সকী এজেন্সী অসিনা, ইন্দেক্স অসি শকলেপ্পা, ৱাফম অনীখক্তা মরুওইবা মীৎয়েং থম্মী- (১) কোভিদ-১৯ লাইচৎসিনা মীয়ামগী পুন্সিদা কয়াম অহোংবা লাকহনবগে? লাইচৎসিগী মমাঙদা লেল্লম্বা পুন্সিগী থাক অদুগা, মহীকসিনা লান্দারকখ্র' মতুংগী পুন্সি অদুগা কয়ামুক থীনা খেন্নবগে? (২) লমদমদুগী লৈঙাক্লা লাইচৎ অসি লাকশিন্নবা পায়খৎখিবা থৌরাংদু শীংথানিংঙাই ওইবরা? অৱাবা নংলবা মীয়ামদুগীদমক্তা লৈঙাক্লা করি থৌরাং পায়খৎপগে? থৌরাংদু কয়াম মায় পাকপগে? রিপোর্টসিগী মতুংইন্না, ফিনলেন্দগী মথংদা খ্বাইদগী নুংঙাইবা লৈপাকশিংদি মথংশিংনা আইসলেন্দ, দেনমার্ক, স্বিৎজরলেন্দ, নেদরলেন্দ, স্বিদেন, জর্মনি অমসুং নোরৱেনি। অমেরিকা'না ১৯শুবদা লৈ, চিনানা ৮৪ শুবদা। ইন্দিয়া, ঐখোয়গীনা ইরৈবাক, খ্বাইদই কনবা, থৌশিল-হৈবা অমনা লুচিংলিবা লৈপাকসিনা ১৩৯শুবা মফম কল্লি। ঐখোয়' য়ুমলোন্নবা বাংলাদেশ ১০১শুবা মফম কল্লি, পাকিস্তানগী মফমনা ১০৫ শুবদা লৈরগা, নেপাল'না ১০০শুবদা লৈ। খ্বাইদই মনীং থংবা, ১৪৯শুবা মফম কল্লিবনা 'অফঘানিষ্টান', মাগী হেক মথক্তনা জিমবাবৱে। ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংদা পাদম অসি পানশিন্দুনা ওনবদা 'মণিপুর'না খ্বাইদগী মনীং থংবা মফম কনগনি হায়বসি ঐগী অচেৎপা থাজবনি।

অসুম্না, মালেমগী থাক্তা, মীওইবগী নুংঙাইবা পুন্সি করম্না মশক লেপ্পগে হায়বসিদা খ্বাইদগী মরুওইবা ফেক্টর ওইরিবসি- জি দি পি (গ্রোস দোমেষ্টিক প্রদক্ত) হায়বসিনি। লৈপাক অমগী শেল-থুমগী ফীভম কয়া য়াম্না ফরিবগে হায়বদু লেপ্পবা 'ইন্দেক্স' অদুনি জি দি পি। য়াম্না চম্বা ৱাহৈদা লৈপাক্তুদা পুথোক্লিবা পোত্থোক, মীয়ামদুগী শেন্থোক, শীজিন্নরিবা পোৎ (ঈরমগী নৎত্রগা মীরমগী)শিং অদুগী মমলনচিংবদা য়ুম্ফম ওইরগা লেপ্পা শেল-থুম (ইকোনোমি)গী থাক অদুবুনি। ইকোনোমি নৈনবা নত্তে, পূক্নিংগী নুংঙাইবা নৎত্রগা অৱাবা হায়বসি ইকোনোমিগী থাক অদুনা লেপ্লকপগী মওং অসি, পন্দ'য়াদবা মতাং ওইবনা পল্লম্বনি।

ধর্ম্মগী ৱারী-লাইরিকশিং, বেদ-বেদান্ত-পুরান্নচিংবদা ইরম্লিবা ৱাহৈশিং-পুন্সিসিদা হকথেংনরিবা এক্সপরিয়েন্স! কয়াদা তায়ওন্নখ্রবা! মতু চোম্বা য়োংজাওগী থাক্তগী খজিক্তং হাইগৎলকপা, লৈকূৎ-লৈরায়দা লৈরম্বদগী খুন লিংদুনা লৈবা হৈরকখিঙৈদগী ঙসিফাও' কুমজা কুমওন লীশিং-লীচা-লীপুন কয়া হৌখরে। য়ুগ অমদগী অমা, জেনরেসন অফতর জেনরেসন মীরোল কয়া হৌখরে। অহোংবা কয়া লাকখরে। অদুবু বেসিক ওইবা লাইফকী ষ্ট্রকচর, হিংনবগীদমক হিংবা পুন্সিগী শক্তম অসিদদি করি অহোংবা লাকখ্রবগে? অমুক মম, অমুক ঙান... অমুক ঈং, অমুক শা- কায়বা য়াদ্রবা মালেমগী খোঙচৎ অসিগুম- নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমগী মমাঙদগী, পুন্সি অমা শাগোন্নরিবা মীওইবনা হনজিন হনজিন তৌরক্লিবা, ঙসিসু তৌদুনা লৈরিবা, তুংদসু তৌদুনা লৈখিগদবা থবক মখল অমখক্তনি- অমুক তূম্বা, অমুক হৌগৎপা, চীঙ্গাক থিবা-চাবা, ইচা-ইশু-ধারা-নারা শন্দোক্লবা নুপা-নুপী লৈমিন্নবা, নোং-নুংশিৎ-শা-কৈ-য়েক্লবদই ইশাবু ঙাকথোকচনবা শেম শাবা। মমাঙগী মীরোলদুনা তৌরম্বসু মদুনি, ঙসিগী মীরোল অসিনা তৌরিবসু মসিনি। থবক থৌওং হোংবদুতনি অহোংবা। শা-ঙা-হুই-হৌদোং-উচেক-ৱায়ানা তৌরিবসু মসিনি। করিদবু খেন্নবগে?

হায়জনীংবদি- ঙসিগী ৱর্ল্ড হেপ্পিনেস ইন্দেক্স'না ঊৎলিবা নুংঙাইবগী মশক অসিদি হকচাংগী 'সেন্স ওর্গান'শিংসিদা ফাওবা নুংঙাইবগী মশক অদুনি। এনজোয়মেন্ট'কা হেন্না নক্লবা নুংঙাইবা (হেপ্পিনেস) অদুনি। থংনবা মীকুপ্তা মশক পুমওন ওনখিবসু য়ারিবা! অরাম্বা-খৌরাংবা-অপাম্বা-ঈখৌলাংবা কোকহল্লগা ফংবা নুংঙাইবদু নত্তবা, 'ব্লিসফুলনেস'... 'আনন্দ' কৌবা নুংঙাইবা মখল অদুদি ইরায় লায়না ফংবা হেক্তা ঙমদবা অমনি- পুক্নিং-ৱাখলদুখক্তনা ফংঙমগদবা! নুংঙাইবা মখল অনীসিগী খেন্নবা করম' খঙহনগদগে? অরুবা থৌগায় অমনি। কম্ম্যুনিষ্ট অমগা কেপিটেলিষ্ট অমগা, অনীগী খেন্ন তাক'কুম্বনি। অনীমক্না থিরিবসি মীওইবগী নুংঙাইবনি। 'নুংঙাইবা' অমদি 'নুংঙাইমিন্নবা'- অনীগী খেন্নবদুদি থিদবা।

মমি ৱারী | থৱান





থবক্তি লেপ্পা য়াদে, কর্ফিয়ু/লোকদাউন ওইরেনা চাদনা লৈবা য়ারদি ঐখোয়সু পোত্থানিংই (ইম্ফাল)

লৌশিং পুক্কৈ

# দাইবিটিজ নাবা মীওইশিংনা

## কোভিদ ভেক্সিনগী মরমদা খঙজিনবা মথৌ তাবশিং




কোরোনাভাইরসকী অনীশুবা ৱেভ মনুং অসিদা কোভিদ কেস মশিং য়াম্না কা হেন্না ৱাংখৎলকপা ঐখোয় পুম্নমক্না থেংনরি, মরক অসিদা দাইবিটিজ (ঈশিং পুকচৎ) পেসেন্টশিং মখল মখা কয়াগী শীংনবশিং মায়োক্নরি। কোভিদকী অকনবা লাইওংশিং দিভেলপ তৌরকপদগীনা মাইকোর্ম্যুকোসিস ইনফেক্সনগী রিস্ক ৱাংখৎলকপা ফাওবগী খ্বাইদগী হেন্না খুদোংথীনিংঙাই ওইবা কয়া ব্লদ সুগর লেভেল কন্ট্রোল তৌদবা মীওইশিংনা মায়োক্নরি।

তৌইগুম্বসুং, মখোয় মশাগী প্রি-এগজিষ্টিং ক্রোনিক কন্দিসনশিং লৈবা অদুনা দাইবিটিক পেসেন্ট কয়াদি কোভিদ ভেক্সিনশিংদগী তুংলোমদা খোঙফম হন্দোকপা লেপত্রি। হৌজিক্কী ওইনা কোভিদ-১৯ লায়না নাহল্লিবা সার্স-কোভ-২ ভাইরসতগী ঙাকথোক্লবা প্রোটেক্সনগী অমত্তা ঙায়রবা কুয়োম অসি কোভিদ ভেক্সিনশিং অসিনা ওইরিবনি। মসি ফনা ওইদুনসু হৌজিক ফাওবা কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পগী মতাংদা পুক্নীংদা চিংনবা নৎত্রগা কাপ্পিংদবা ফাওবা মীওইশিংনা খঙজিনবা মথৌ তাবা ৱাফম খরা মখাদা পীরি।

**দাইবিটিক পেসেন্টশিংনা কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পা য়াবরা?**

হৌজিক ফাওবগী ওইনদি কোভিদ ভেক্সিনশিংনা হকচাংগী ব্লদ সুগর লেভেলদা অকায়বা থোকহনবগী রিপোর্ট অমতা লৈত্রি।

দাইবিটিক পেসেন্ট কয়া অমা কোভিদ ভেক্সিন কাপখ্রে, অমদি ভেক্সিন কাপ্পদা মীপুম খুদিংমক্না কম্মন ওইনা থেংনরিবা সাইদ ইফেক্টশিংদুখক থেংনবগী রিপোর্ট লৈ। ভেক্সিন অসি কাপ্পা য়াবগী ফিভমগী মনুং চনবা মীপুম খুদিংমক্না খুদোংথীনিংঙাই ওইরবা ভাইরস অসিগী মায়োক্তা ভেক্সিন কাপথোক্লবা এক্সপার্টশিংনা রেক্কমেন্দ তৌই। অহুমশুবা ৱেভ অমা লাকপা য়াবগী ফিভমনা থোঙজিন্দা থীল্লরবা মতম ওইবনা মীপুম খুদিংমক্না ভেক্সিন কাপ্পদা প্রাইওরিটাইজ তৌবা মরু ওই।

**ভেক্সিনশিং অসি দাইবিটিজ লৈবা মীওইশিংগীদমক সেফ অমদি ইফেক্টিভ ওইবরা?**

কোরোনাভাইরসকী ভেক্সিন কাপথোকপা অসিনা মীয়াম্বু লায়না অসিনা য়াম্না কন্না নাবা অমদি হোস্পিটালাইজ তৌবগী রিস্ক হন্থহল্লি হায়রিবনি। দাইবিটিজ য়াওনা কুম পুবা অনাবা (ক্রোনিক ইলনেস) লৈবা মীওইশিং অসিনা শাথিবা কমপ্লিকেসনশিংগী রিস্ক হেন্না ৱাংই, মরম অদুনা মখোয় মশাবু ভাইরস অসিদগী ঙাকথোকচবা তাই।

ভেক্সিনশিং অসিগী সেফটি অমসুং ইফেক্টিভ ওইবগী মরমদা নৈনদুনা য়েংলগদি, ব্রেকথ্রু ইনফেক্সনশিং (মপুঙ ফানা ভেক্সিন কাপখ্রবা মতুংদা নারকপা) হায়বসি থোক্লকপদি য়াই, অদুমওইনমক কোভিদ ভেক্সিনশিংনা প্রোটেক্সনগী অহেনবা কুয়োম পী অমদি মসিনা মীওইবগী হকশেলদা খুদোংথীনিংঙাই ওইহন্দে হায়বসিদি চিংননিংঙাই লৈত্রবা ৱাফমনি।

**ভেক্সিনগী সাইদ ইফেক্টশিং অসি দাইবিটিজ লৈবা মীওইশিংদনা তোঙানবরা?**

এক্সপার্টশিংগী মতুংইন্না ভেক্সিনগী সাইদ ইফেক্টশিং অসি মীপুম খুদিংমক্কী ওইনা চপ মান্নে। দাইবিটিক ওইগেরা নৎত্রগা হকচাং ফবা তীক-তীক লাউববু ওইগেরা, লাইহৌ খরা তৌবা, চোকথবা, পাম্বোম নাবা হায়রিবশিং অসি খ্বাইদগী কম্মন ওইবা সাইদ ইফেক্টশিংনি। অকক্লবা কেস খরদা হীদাক কাপফম মফম অদুদা ফুরি খরা থোক্লকপা য়াই, মসি নুংনাংনিংঙাই ওইবা ৱাফম নত্তে। অদুম ওইনমক দাইবিটিক পেসেন্টশিংনা কোভিদ ভেক্সিন কাপত্রিঙৈ মমাঙ অমসুং মতুংদা দোক্টরগা পাউ ফাওদোক ফাওজিন তৌনগদবনি। দোক্টরগী পাউতাক য়াওদনা পেইন-রিলিভিং মেদিকেসনশিং শীজিন্নরোইদবনি।

**কোভিদ ভেক্সিনগী সাইদ ইফেক্টশিং অমদি কোরোনাভাইরস ইনফেক্সন : করম্বনা হেন্না নুংনাংনিংঙাই ওইবগে?**

ভেক্সিন কাপ্পিংদবগী ইথিল অসি মরম কয়ামুক্তগী থোক্লকপনি। ব্রেকথ্রু ইনফেক্সনশিংগী মশিং য়ামখৎলকপনা চিংনবা লৈহল্লকপদগী হৌরগা ভেক্সিনগী সাইদ-ইফেক্টশিংনা তোকঙা অমদি অরানবা ৱাখল্লোনশিংগী অহেনবা কুয়োম অমগা হাকপৎহল্লকপনা কুম পুবা অনাবা লৈবা মীওই কয়া অমা কোভিদ ভেক্সিন কাপ্তুবা য়াওই।

অদুবু দাইবিটিক অমা ওইরগদি, কোভিদ ভেক্সিনশিং অসি কয়ামুক মরু ওইবগে হায়বদু খঙবা মরু ওই।

ভেক্সিনগী সাইদ-ইফেক্টশিং অদুদি নোংমা নৎত্রগা নীনিগী মনুংদা কোকখিগনি, ট্রান্সমিসনগী রিস্কসু লৈরোই, অদুগা কোভিদ ইনফেক্সননদি মীওই অমবু য়াম্না খুদোংথীনিংঙাই ওইবা ফিভম লাকহনবা ঙমই। কোরোনাভাইরস ইনফেক্সননা অমাঙ-অতা য়াম্না কা হেন্না থোকহনবা ঙমই হায়বা ৱাফম অসিনা মরম ওইরগা মীপুম খুদিংমক্না হেক য়ারিমখৈ অথুবা মতমদা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্কদবনি।

**দাইবিটিক পেসেন্টশিংনা ভেক্সিনেসন মতুংদা নীংশিংগদবা ৱাফমশিং:**

কোভিদ ভেক্সিন কাপ্লুরবা মতুংদা নীংশিংগদবশিংদি— দোক্টরদা ইশাগী হীদাক চাবা লেপকদ্রা লেপলোইদ্রা তানগদবনি; নীংথিনা পোত্থাগদবনি অমদি অকনবা শাজেল তৌরোইদবনি; ব্লদ সুগর লেভেল ৱাংখৎহল্লোইদবা অদুবু ন্যুট্রিএন্টশিংদি মতীক চানা পীগদবা হকচাংদা কান্নবা চীঙ্গাকশিং চাগদবনি। ওমেগা-৩ ফেট্টি এসিদ মরাঙ কায়না য়াওবা ঙাগুম্বা চীঙ্গাক, য়েরুম, উহৈ অমদি মনা-মশিংশিং দাইটতা য়াওহনগদবনি; মহী-মনাই মরাঙ কায়না থক্কদবনি; অরোয়বা ওইনা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপা তোক্লোইদবনি। মাস্ক উপখিগদবনি, চথোক চৎশিনগী চাং হন্থগদবনি অমদি মী পুনবা মফমদা চৎপা খুদিংগী সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্কদবনি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

# মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

## কর্ফিয়ু মনুংদা কোভিদ-১৯ এফেক্টেদ লাইভলিহুদ সপোর্ট স্কিমগী ফোর্ম থাজিল্লু হায়রিসিবু করম্বা মওংনো?



মণিপুর গভর্ণমেন্ট অমদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা কোভিদ-১৯ থেংননবগী এস ও পি ঙাক্লা অমদি কর্ফিয়ু থমদুনা লাক্লগা নাতৈ চাদবা মানবা মওংদা কোভিদ-১৯ এফেক্টেদ লাইভলিহুদ সপোর্ট স্কিম অমা কোভিদনা ৱানরবা মীয়ামদা ফংহন্নবগী খোঙথাং অমা লৌখৎপীরি। মসিগা মরি লৈননা ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি ইম্ফাল ইষ্টকী দি সীনা ফোর্ম কর্ফিয়ু মনুংদা থাজিল্লু হায়রিবসি করম্ননো? হৌজিক মীয়াম পুম্বা কোভিদনা মরম ওইদুনা য়ূম-য়ূমদগী মপান থোকপা কীনদুনা য়ূমদা লৈনরিবনি। মণিপুরদা নত্তনা মালেমগী ওইনসু লায়না অসিগী অৱাবা নংদুনা লৈরিবনি। লায়না অসিনা মশিং য়ামজদ্রবা মণিপুরগী মীশিং অসি নোংমদা ২০গী ময়াদা শিরি। অসিতসু নত্তনা পোজিটিভ ওইরকপসু ১০০০গী ময়াদা ওইরিবনি। অসিগুম্না অৱাবশিংগী মরক্তা মরি লৈনবশিংনা লায়না অসিবু লাকশিন্নবগী মণিপুর পূম্বদা কর্ফিয়ু মতম শাংনা থম্লকলিবনি। ঐখোয়গী ফুরুপ অসিদি অথিংবা খরবু কোমথোক্লবদি লম্বীদা মীয়াম পুনবসি হৈনবী ওইদুনা লৈরিবনি। কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা পাকশন্না হীদাক কাপথোকসি হায়বদনা য়ূমদগী থোক্লকপা লৈতে। অদুবু হৌজিক্তি থোক্নরক্তুনা লায়না অসিবু মুথৎনবা হোৎনবা হৌনরক্লে। অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা লৌখৎপীরক্লিবা খোঙথাং অসি অফবা ওইরোই হায়জনিংই। মরি লৈনবশিংনা মতম খরদং চোন্থরগা মীয়ামদা শোক্লোইদবা মতমদা ওনলাইনদা তৌনবা শিনবিয়ু।

❐ ওইনাম কুঞ্জেশ্বর, লাংজিং অচৌবা

## কর্ফিয়ু থম্লবসু ভি আই পি শাদুনা লম্বীদা হেক চৎলিবমখৈ পোজিটিভ মশিং হন্থবা ঙম্লেহি



লৈঙাক্লা টোটেল কর্ফিয়ু থম্লবসু কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী চাংদি অসুম-অসুম লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলক্লি। নোংমদা পোজিটিভ ওইবগী মশিং ৫০০ হায়বসিমা খুৎতা পারগা লৈবগুম ওইরি। অদুমকপু হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিনা তাকপদি কর্ফিয়ু থমদ্রিঙৈ মতমদগী কম্যুনিটি স্প্রেদ তৌবা হৌখ্রবরা নৎত্রগা মীয়াম্না চেকশিনবা ৱাৎপা হায়বদু ওইরব্রা হায়না নিংজে। টোটেল কর্ফিয়ু নুমীৎ ১০ থম্লবসু মীয়াম পূন্না-পূন্না লৈমিন্নবা, চাকচাক হৈজান্নবা, ভি আই পি শারগা মরম চাদনা চৎপা সোসল মীদিয়াদা ময়েক শেংনা উবা ফংলি। লম্বীদা থোরকপা পুলিস পর্সনেলশিংনা থিংবগুম সোসল মীদিয়াদা থাগৎলক্লিবা চাকচা হৈজান্নরিবা মফমশিং, চীংদা মরম চাদনা পিকনিক চৎপা, ভি আই পি শারগা চৎলিবা মীওইশিংদসু খরমখৈদি মীৎয়েং চঙহন্নিংই। কর্ফিয়ু অসি চীংগী লমদদি মমি লৈতবগুম উই। য়ূমদগী চৎথোকপা ফাওবদা কিরবা মতম অসিদা তৌরিবা থৌওংশিং অসি মীচম অমা ওইনা য়াজনিংদে। কর্ফিয়ু মনুংসি নৎত্রবদি চাকচা হৈজান্নবা, কোয়বা চৎপা অমদি পিকনিক তৌবনচিংবশিংসে হৌজিক তৌহৌদ্রবদি য়াদ্রবজাৎলা? মীয়াম ঐখোয়না চেকশিন্দ্রগা গভর্ণমেন্ট অমদি কোভিদ ৱারিয়রশিংনা দ্যুটি তৌবদা হেন্না অৱাবা পীরিবশিংসে খরা মখৈদি খন্থবগী মতম ওইরব্রা হায়না খল্লি। ঐখোয় পূন্না হিংমিন্নসি হায়রবদি পূন্না ৱাখল তানা অন্দরষ্টেন্দিং অমদি কোপরেসন লৈবা অমদি কোভিদ-১৯গী চৎন-কাংলোনশিং অমত্তা ওইনা ঙাকমিন্নরবদি লমদম অসিদগী কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎপু মায়থিবা শোয়দনা পীবা ঙমগনি হায়না খল্লি। নৎত্রবদি হেন্না অদুমক নোংম-নোংমগী শোকচিল্লক্কনি।

❐ রেকি মায়ৱাম, মোইরাং বাজার

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নৎত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ০৬। ০৮। ২০২১ ইং, ইরাই;
ইঙেনগী ২৮ নি পানবা।

মেষ: অশাওবা অমদি নাপলনা মাঙজবা খরদি ঙসিসু লৈগনি, অদুনা তপথৌ/ঈংথৌ। লাইবক ফৈ, মরুপকী মতেং ফংগনি অমদি অনৌবা থৌরমদা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

বৃষ: হৈ-শিংবা শাবা অমদি মতাং চাদনা হোয়া ফবনা কায়নবা অমদি লন ময়েং তাবা য়াই। হনবা লৈতবা অমদি মরুপকী মতেংনদি অরং অরাক ফংবগুম নুংঙাইগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- থাগৎপীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

মিথুন: মীচঙ হেনগৎপা, ৱাখল থোকপা অমদি অরুবা থবক্কী লমদা অঙম্বনা চানবীবা লৈগনি। মীতোপ্পা ইনশিনবা লৌরদি শেল চৎকনি, পংথগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কর্কট: কোক শাবা অমদি নীংবদুমক পাঙলদি মাঙজবা/কায়নবা লৈগনি। মরুপ-মপাংগা লোয়নবা থবক্তদি কান্নগনি, পাউসু নুংঙাইবা তাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা তেংবাঙনীংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

সিংহ: খোয়রাংবা পোকপা লৈরসু মরুপ খনবা হৈরবা অমদি ৱানোম থৌনোম তৌদ্রদি শাফগনি। লন চাওখৎকনি অমদি নীংবা মপা চাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

কন্যা: নীংবদুমক খজিক্তং খন্থরদি পাঙগনি অমদি হকচাংসু নুংঙাইবা হেনগৎকনি। থবক শীন্দোকপসু হৈগনি। অদুবু য়েৎনবদি য়াওরুনু।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক লৈরে।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

তুলা: মীয়ামগী মতেংদগী নুংঙাইবা অমদি শেল-থুমগী লমদা কান্নবা নুমীৎনি। লানবু লান্দ্রদি মায়থিবা পীবিনবা লৈরোই। হুদৈদি চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক: ইমুং-মনুংগী ৱা তাউ অমদি মীয়াম্না ফৈ ঙাংনবা থবক্তু পাঙনবা হোৎনৌ, খুমাং চাওশিনগনি। ঙক কনবদি য়াদে, অঙম্বনা তাথিগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- হান্নগুম ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

ধনু: নিংবা শোয়দনা থুংগনি, থাজবা মরমদা খুৎচাও থাবা মতাং চাই। মীংচৎসু ফংজগনি, ঙাং-শকপা হৈগনি। অফা অপুন্নে, খাঙবা কল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মকর: নীংবা থুংগনি, অনৌবা আশা লাক্কনি, মীচঙ হেনগৎকনি অমদি লান্দবদৈ কান্নবসু ফংগনি। অয়েৎপা অমদি লৈ, অদুবু থিবা হুম্বা কল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংলনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কুম্ভ: ঙসিসু নুংঙাইফম খঙলোই, অদুবু হান্নদগী পায়রকপা থবক্তদি নমথবীনবা কনাসু লৈরোই, ইমুংগী ৱা নত্তনা মীনা ইনশিনবা লৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱারৌনবা লৈগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ।

মিন: অনম তানবগী কান্নবা লৈরোই অদুনা য়াকা য়েংনা চৎপা ফগনি। ৱানোম থৌনোমদি কান্নগনি অমদি মরম চাবদা থৌনা ফুদোকপা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- ঈংথনা লৈবা ফগনি
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।